# ব্রাজিলগী জেলগী ঈরাংদা ইনমেট কয়া মঙক ককখ্রে, মীওই ৫৬ শিখ্রে, ১৪৪ নাম্থোকখ্রে

মানোস, ব্রাজিল, জন্যুৱারী ০৩:
ব্রাজিলগী মী কা হেন্না চিন্না থম্বা জেলগী সিষ্টেমদা চহী ২০ হেনবগী মনুংদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা মীশি-মীনা কয়া য়াওবা থৌদোক ওইনা জেলগী রাইঅট অমদা য়েংথিনবা দ্রগকী গেংশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৫৬ শিখ্রে, ইনমেটশিংনা অমগা অমগা মঙক কক্ল দুনা জেলগী ৱালশিংদা মঙক য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং কয়া লংশিন্নখিবা হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা ঈরাং অদুদা ইনমেট ১৪৪ সু জেলদগী নাম্থোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রাইঅট অদু এমাজোনাস ষ্টেটকী কেপিটেল মানোসকী চিদাইদা লৈবা জেল অমদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা হৌখি অমসুং জেল অদুদা অহিং চূপ্পা চথুখি হায়না ষ্টেট পব্লিক সিক্যুরিটি সেক্রেটরি সার্গিও ফোন্টেসনা হায়খি। এমাজোনাস ষ্টেটকী প্রিজন সেক্রেটরি পেদ্রো ফ্লোরেনসিওনা হায়খি মদুদি, তমথীরবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং অদু ব্রাজিলগী ক্রিমিনেল গেংশিংগী মরক্তগা য়েংথীনরকপদগী থোকখিবা 'লমন খুন্নবগী' মীহাৎ অমনি।



ঈহিং-নাইহিং শারবা মৈ চাক্লবা হকচাং কয়া জেলগী কনক্রিট য়ার্দতা পরেং ওইনা অমসুং কার্টশিংদা মপৈ ওইনা লৈখি হায়না থৌদোক থোকফমদগী এ এফ পিগী ফোটোগ্রাফর অমনা হায়খি।

হান্না ঈরাং অদুদা মীওই ৬০ শিখি হায়না ফোঙদোক্লুরবা মতুংদা ফোন্টেসকী দিপার্টমেন্টনা মমৈথংদা শিখিবা ইনমেট মশিং ৫৬ নি হায়না পীখি।

হাৎন-শুনবগী ঈরাং অদু হৌখিবা চহী ১০ রোমসিদা লেটিন অমেরিকাদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা জেল রাইঅটশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

ফোন্টেসনা মদু ষ্টেট অদুদা লৈবা জেল অমদা থোকখিবা খ্বাইদগী চাউবা মেসাকরনি হায়না ফোঙদোকখি।

অনিসিও জোবিন প্রিজন কমপ্লেক্স অদুগী য়ুনিট অমদা রাইঅট অমা হৌখিবগা অতোপ্পা য়ুনিট অমদগী প্রিজনর কয়া পাক্তক্লনা নাম্থোকখি। মদু গার্দশিংদুগী মমিৎ চোইথোক্লবা শিন্নরগা চথুখিবা থৌওং অমনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। খুৎলাই মতীক চানা পায়বা পুলিস কাঙবু অমনা টন্নেল কয়াদা নাম্থোকখিবা ইনমেট দজন কয়াদুবু কোইতান তান্নখি।

ফোন্টেসকী দিপার্টমেন্টনা তুংদা এনিসিও জোবিন পেনিটেন্স্যারি কমপ্লেক্স অদুদগী ইনমেট ১১২ নাম্থোকখ্রে অমসুং মনাক নকপা এন্টোনিও ত্রিনদাদে পেনাল ইন্সটিটুট্যটতগীসু অতোপ্পা মীওই ৭২ নাম্থোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। তুংদা নাম্থোকখিবা ইনমেট ৪০ দি অমুক হন্না ফাখি হায়রি।

পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা জেল অদুদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিনহনখি। ঈরাং তৌবা ইনমেটশিংনা হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিনখিবা গার্দ ১২ থাদোকখি হায়না ফোন্টেসনা হায়খি।

'ভিক্টিম কয়া মকোক য়াওখিদে অমসুং মখোয়শিংদু অদুক্কী মতীক অৱা-অনা নংখি' হায়না মহাক্না ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

কিনিংঙাই ওইরবা মীহাৎশিং অদু পৱারফুল ওইরবা লোকেল গেং অমা ওইরিবা ফেমিলি ওফ দ নোর্থ (এফ দি এন) না ব্রাজিলগী খ্বাইদগী চাউবা গেংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফর্ষ্ট কেপিটেল কম্মান্দ (পি সি সি) গী রাইভেলশিংদা পাউজেল অমা পীনবগী পান্দমদা চথুখিবা মাল্লি হায়না ফোন্টেসনা মখা তাখি।

পি সি সিগী বেজ মানোসতগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ২,৭০০ (মাইল ১,৬৫০) লাপ্পা সাও পাওলোদা লৈ। 'রাইঅটতু লোইশিন্নবা নিগোসিয়েসনশিং চথুবা মতমদা জেলগী ইনমেটশিংদুনা দিমান্দ অমত্তা তৌখিদে' হায়না ফোন্টেসনা লোকেল রেদিও নেটৱার্ক অমদা হায়খি।

## ইম্পিচমেন্টগী ট্রাইএলদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱা ঙাঙউ য়াখিদ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ০৩ :
করপসনগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা ইম্পিচমেন্ট চথুখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট ওইনা মহাক্কী তুংগী পুন্সি লেপকন্দবা কেস অমদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হেনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইভিদেন্স ওইবা য়াবা মহাক্কী ৱারোল পীয়ু হায়বা য়াখিদ্রে। প্রসিদেন্ট হেগী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা কন্সটিট্যুস্নেল কোর্ট অদুনা তঙাই ফদনা কেসতুগী মতাংদা ওরেল অর্গ্যুমেন্ট হৌবা থেংথহনখ্রে।

পার্কনা মহাক্কী ৱারোল পীয়ু হায়বা য়াখিদ্রবা মতুংদা জষ্টিস মাপনগী কোর্ট অদুনা মঙোন্দা শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী ৱারোলদু কোর্টতা ফোঙদোক্ল নবা হায়খ্রে। নুমিৎ অসিদা মহাক্কী হৌজিক লৈরিবা অমসুং হান্নগী তেংবাঙলোয় খরসু টেষ্টিফাই তৌগদৌরিবনি। মহাক্না কোর্টতা লাকখিদবদা লোমেকরশিংনা থৌওং অদুবু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। ট্রাইঅল অদুদা লোমেকরশিংনা প্রোসি-ক্যুটরশিং ওইরিবনি।

কোর্ট অদুনা হায়খি, কোর্টনা পার্কপু হিয়ারিং অদুদা নমদুনা লাকহনবা ঙমদে। লৈবাক অদুগী লোগী মতুংইন্না করিগুম্বা অনীরকশুবা ওইনা মহাক্না কোর্ট কারকউ য়াদ্রবদি মহাক য়াওদনা ট্রাইঅল অদু মখা চথবা য়াই।

## সোমালিয়াদা লৈবা পিছকিপ্পরশিংগী হেদক্কার্টরসতা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা এটেক তৌখ্রে



মোগাদিসু, জন্যুৱারী ০৩ :
সুইসাইদ বোম্মরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সোমালিয়াগী কেপিটেলদা লৈবা মপুং ওইবা পিছ কিপ্পিং বেজ অমদা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা সোমালি সিক্যুরিটি ওফিসর অহুম হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টবু লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুবা পাম্বা ইস্লামিষ্ট অল সাবাবকী মিলিটেন্টশিংনা হায়খি, মখোয়না এটেক অদু মোগাদিসুগী মরু ওইবা এয়রপোর্টকী মনাক্তা চথুখি। এরিয়া অদু এম্বেসি কয়া, এইদ গ্রুপশিং অমসুং টেলিকোম কম্পেনি কয়ানা শিজিন্নে। বোম্মর অমনা অফ্রিকান য়ুনিয়ন পিছকিপ্পিং ফোর্স অমিসোমগী হেদক্কার্টরসকী মপানদা লৈবা চেকপোইন্ট অমদা কার অমা থৌজিনখি। এটেক অদুদা মফমদুদা তাবা সোমালি ওফিসর অহুম শিখি হায়না পুলিস ওফিসর মোহম্মদ অহম্মদনা হায়খি।

অতোপ্পা ভেহিকল অমসু বেজদুগী মেইন গেটশিং তম্না থৌজিনখি তৌইগুম্বসুং পিছকিপ্পরশিংনা মদুদা নোংমৈ কাপখি।

'গাড়ী অদু গেটতুদগী মিটর ২০০ রোম লাপ্পা মফমদা পোকখায়খি। সিভিল্যান বিল্ডিংশিংদা অকায়-অতোই-অতোয় থোকখি' হায়না অমিসোমনা ট্বীটরদা হায়খি।

মপাঙ্গল লৈরবা ব্লাষ্টশিং অদুনা মনাক্তা লৈবা হোটেল পিছকী মমাঙথংবা শরুক্তা অমাঙ-অতা থোকহনখি, তৌইগুম্বসুং মফমদুদা খুদক্কী ওইনা মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি লৈখিদে।

অল-সাবাবকী মিলিটরি স্পোক্সমেন শৈইখ অবদিয়াসি অবু মুসুবনা হায়খি, ফাইটরশিংনা হোটেল অদুদা এটেক তৌনবা হোৎনখি। হৌখিবা চহীদা সোমালিয়াগী মতম শাংলক্লবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং অদুগী সোল্যুসন অমা পুরক্লবগী পান্দমদা হোটেলদুদা মীফম পাঙথোকখিবনি। মীখল মতুংদা হৌখিবা চয়োলদা সোমালিয়াগী ফেদরেল পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর ৩০০ রোম ৱাশক লৌখি অমসুং মখোয়না অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খনগনি।

## য়ু এসকী মীচং ফিলিপিন্সকা ৱার গেমশিং পাঙথোকমিন্ননবা রসিয়ন নেভিনা থৌরাংলি

মনিলা, জন্যুৱারী ০৩ :
ফিলিপিনো প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী থাপতোক্কনি হায়না ইফোং ফোংনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ঈথৎ লৈবাক অসিগা ৱার গেমশিং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না রসিয়ন নেভিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা য়াম্না তাংবা থৌদোক ওইনা রসিয়ন সিপ অনী মনিলাদা খামখ্রে হায়রি।



রসিয়ন নেভিগী পেসিফিক ফ্লীটকী দেপ্যুটি কম্মান্দর রিয়র এদমিরেল ইদুৱার্দ মিখাইলোভনা হায়খি, জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজশিং অদু মেরিটাইম পাইরেসি অমসুং টেররিজমদা মিৎয়েং থমগনি। মহাক্না পাইরেসি অমসুং টেররিজম অসি লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা প্রোব্লেমশিংগী মনুংদা য়াওই হায়খি।

'তুংদা অসিগুম্বা এক্সরসাইজশিং নখোয়গা পাঙথোকমিন্নগনি হায়বসিদা ঐখোয়না চেৎনা থাজৈ। মদু মনুভরিংদমক ওইবা য়াই নৎত্রগা কম্বেট সিষ্টেম খরা ওইবা য়াই' হায়না মনিলা পোর্টতা খান্লিবা রসিয়ন দেষ্ট্রোইয়র এদমিরেল ত্রিবটসকী নাকলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিখাইলোভনা হায়খি।

মিখাইলোভনা সাউথ চাইনা সিদা চাইনা অমসুং মালেসিয়াগা জোইন্ট এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপশিংসু পনখি। পনবা য়াবদি সাউথ চাইনা সি অসি চহী কয়ামুক লমগী ক্লেমশিংগা মরী লৈনবা টেন্সন কয়া পোকহন্দুনা লাকপা মফম অমনি।

'ঐখোয়না চহী খরগী মনুংদা নখোয়গী লমদম অসিদা সাউথ চাইনা সিদা মিলিটরি এক্সরসাইজ কয়া পাঙথোকমিন্নবা য়াই। খুদম ওইনা রসিয়া-ফিলিপিন্সখক্তা নত্তনা রসিয়া, ফিলিপিন্স, চাইনা অমসুং মালেসিয়াগসু পুন্না পাঙথোকমিন্নবা য়াই হায়না ঐখোয়না তশেংনা থাজৈ।

রসিয়ন সিপশিং অদুবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদুবু লুচিংখিবা ফিলিপিনো নেভিগী কম্মান্দর ফ্রান্সিস্কো কাবুদাওগী মতুং ইন্না, খোঙচৎ অদু রসিয়ন মিলিটরি ভেসেলশিংনা ফিলিপিন্সতা চৎপা অহুম্লক্তমক শুরিবা খোঙচৎনি।

হান্নগী অমেরিকান কলোনি ফিলিপিন্স অসি চহী দিকেদ কয়ামুক এসিয়াদা লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খ্বাইদগী মরু ওইবা অমসুং লোয়েল ওইবা মীচং লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। লৈবাক অনী অসি দিফেন্স পেক্ট অমগী লিপুনসু লৈরিবনি।

তৌইগুম্বসুং মশামকপু সোসিয়েলিষ্ট অমনি হায়না ফোঙদোকচবা দ্যুটর্টেনা পৱার পায়রকখিবা হৌখিবা থা তরুক্লোম অসিদা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মহাক্কী লৈবাক্কী ফোরন অমসুং মিলিটরি এলাইঅন্সশিং চাইনা অমসুং রসিয়ারোমদা ওনশিন্নবা হোৎনখি।

দ্যুটর্টেনা ৱাশিংটনগা থম্নরিবা মিলিটরি অমসুং দিপ্লোমেটিক মরীশিং মরাই চাইথহনগনি নৎত্রগা লোইশিনগনি হায়না ফাওবা হঞ্জিন-হঞ্জিননা কীহনখিবনি।

চহী খুদিংগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পাঙথোকমিন্নদুনা লাকখিবা ৱার গেম দজন কয়া মহাক্না পাঙথোকখিদবগা লোয়ননা অমেরিকান ক্রুপ খুদিংমক ফিলিপিন্স থাদোকখিবা পামই হায়না মহাক্না হায়খি।

মীওই লিশিং কয়া শিহল্লবা দ্রগকী ক্রাইমগী মায়োক্তা দ্যুটর্টেনা নুংশি হৈতনা চথুরক্লিবা লালবু য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা ক্রিটিসাইজ তৌরুবদগী য়ু এসপু ফিলিপিন্সনা তাথিবগী ফীভমসি লাকখিবনি।

## সিরিয়ান আর্মিনা লেপ্তনা চঙশিল্লিঙৈদা রেবেলশিংনা কাজখষ্টানদা ৱারী শানবদা য়াওরোই হায়খ্রে

বৈরুট, জন্যুৱারী ০৩ :
কেপিটেল দামাস্কসকী মনাক্তা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী এটেকশিং কনশিল্লকখিবা অমসুং রেবেল গ্রুপ ১০ রোম্না থা অসিদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা পিছকী নিগোসিয়েসনশিং শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক সিরিয়াগী সিজফায় কায়রগদ্রা হায়বগী অকিবা লাক্লে হায়রি।

পিছকী ৱারী শানবদু জন্যুৱারীগী অথেংবদা কাজাখ কেপিটেল অষ্টানাদা পাঙথোক্কদবনি তৌইগুম্বসুং দামাস্কসনা নুমিৎ মরিনি শুরবা ক্রুস অমা খোঙ্গাউনবনা মরম ওইদুনা মখোয় খন্ন-নৈনবদুদা শরুক য়াররোই হায়না রেবেলশিংদুনা হায়খি।

ৱারী শানবদু সিরিয়ন রেজিমবু শৌগৎপা রসিয়া অমসুং ইরান অমসুং রেবেলশিংবু শৌগৎপা টর্কিনা শিল-লাংলিবনি। 'সিজফায়র খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং মখা তানা চথুবনা মরম ওইদুনা রেবেল ফেক্সনশিংনা অষ্টানাগী নিগোসিয়েসনশিংগা মরী লৈনবা খন্ন-নৈনবা পুম্নমক তোল্লগনি হায়না লাউথোক্লি' হায়না মখোয়না অপুনবা ৱারোল অমদা হায়খি। রেবেলশিংদুনা হায়খি মদুদি, 'মখোয়না সিরিয়া পুম্বদা চৎনহল্লিবা সিজফায়র অদুবু ঈকায় খুম্নে তৌইগুম্বসুং রেজিম অমসুং মসিগী মীচঙশিংনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পা লৈতে অমসুং দামাস্কসকী মনাক নক্লা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ৱাদি বারাদা অমসুং ইষ্টর্ন ঘৌতাগী লমদমশিংদা অচৌবা এটেকশিং চথুখ্রে।'

হৌখিবা চয়োল অনীরোমসিদা অঙ্কারা অমসুং মোস্কোনা ৱাতেমদুনা ক্রুস অমা লৈবাক শিন থুংনা চৎনবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা সিরিয়াগী এয়রফোর্সনা দামাস্কসতগী কিলোমিটর ১৫ (মাইল ১০) রোম লাপ্পা লৈবা ৱাদি বারাদা নুংতিগী বোম্মিং রেইদশিং চথুখ্রে। 'গ্রাউন্দদা চঙশিল্লকপা খুদিংমক সিজফায়র এগ্রীমেন্টগী মায়োক্তনি অমসুং হৌজিক থোক্লিবশিং অসি মমাঙদা লৈরম্বা ফীভমদুদা হঞ্জিল্লক্তবা তারবদি একোর্দ অদু চৎনবা য়াদবনি হায়না খন্নগনি' হায়না রেবেল ষ্টেটমেন্ট অমনা মখা তাখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অমসুং আর্টিলরি ফায়রনা বেকিং পীবা সিরিয়ন আর্মিনা কেপিটেলগী ঈশিং সপ্লাইগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা এরিয়া অদুবু পায়শিন্নবা হোৎনরদুনা চঙশিনখি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

## ভিদিওদা মী ফুবা উবদগী ম্যান্মারনা পুলিসকী মথক্তা এক্সন লৌখৎলগনি হায়খ্রে

য়াঙ্গোন, জন্যুৱারী ০৩ :
লালহৌবশিং মুখৎনবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা ক্রেকদাউন অমা চথুবদগী টেন্সন লৈরিঙৈ তাল্লক্তা ওনলাইনদা ভিলেজরশিংবু ওৎপী-নৈবিবগী ফুটেজ অমা মীয়াম্না য়েংনখিবা মতুংদা ম্যান্মারনা মুস্লিমশিংবু ফুরিবা পুলিস পার্সনেল কাঙবুশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৯ দা গনমেনশিংনা বোর্দর পোষ্টশিংদা এটেক তৌখিবা মতুংদা বাংলাদেশকা লোন্নবা ম্যান্মারগী নোর্থৱেষ্টর্ন বোর্দরদা লৈবা রাখিনে ষ্টেটতা ক্রুপশিং চঙশিনখ্রে।

বোর্দর পোষ্টশিংদা এটেক চথুদুনা পুলিস ওফিসর মাপন হাৎখিবা মতুংদা ম্যান্মার আর্মিনা লমদম অদুদা ওপরেসন চথুখিবগা লোয়ননা মশিং




য়ামদবা রোহিংয়া মুস্লিম কাঙলুপকী মীওই ৩৪,০০০ রোম মফমদু থাদোক্তুনা য়ুন্লোন্নবা বাংলাদেশকতা চেনশিনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়রি।

ওপরেসন অদুদা ৱায়েল চথদনা মী হাৎপা অমসুং রেপ য়াওনা ফত্রবা থৌওং কয়া চথুখি হায়না মফমদুগী মীওইশিং অমসুং রাইটস গ্রুপশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মরাল শীরি। অমরোমদা, ওং সান সু চিগী গভর্ণমেন্টনদি শীরিবা মরালশিং অসিবু য়াদ্রি।

সোসল মিদিয়াদা মীয়াম্না পাক শন্না য়েংনখিবা অমসুং ম্যান্মারগী ব্রোদকাষ্টরশিংনা শন্দোকখিবা ফুটেজ অমদা ওপরেসন অমগী মনুংদা পুলিসমেন কয়ানা ভিলেজর অনী ফুবা-কাওবগী শক্তমশিং উৎখি। ওপরেসন অদুদা রোহিংয়া মুস্লিম দজন কয়া ৱাহং পাউহংনবগীদমক্তা পরেং লেঙহনখিবনি। ভিদিও অদুনা হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী এইদ ৱার্করশিং অমসুং অতৈ মপানগী মীওইশিং চঙহনখিদ্রবা লমদম অদুগী মমাঙদা উখিদ্রিবা শক্তমশিং উৎখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Bharat Heavy Electricals Limited – BHEL Recruitment 2017 – 738 ITI Trade Apprentices Vacancies – Last Date 31 January

**BHEL Recruitment 2017**
BHEL, Bhopal invites application for the post of 738 ITI Trade Apprentices in Various Trades. Apply Online Before 31 January 2017.

**Job Details :**
Post Name : ITI Trade Apprentices
No. of Vacancy : 738 Posts
Pay Scale : Rs. 7807/- (Per Month)

**Trade wise Vacancies :**
Electrician : 155 Posts
Fitter : 217 Posts
Machinist : 102 Posts
Welder : 108 Posts
Turner : 53 Posts
Computer (COPA) : 36 Posts
Draftsman : 15 Posts
Electronic Mechanic : 13 Posts
Mechanic Motor Vehicle : 17 Posts
Machinist Grinder : 10 Posts
Mason : 05 Posts
Painter : 07 Posts

**Eligibility Criteria for BHEL Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates Passed 10th stdandard examination with ITI certificate in relevant trade recognized by NCVT.
Nationality : Indian
Age Limit : 14 to 25 years As on 31.03.2017
**Age Relaxation :**
For SC/ST candidates : 05 years
For OBC candidates : 03 years

**Job Location : Bhopal (Madhya Pradesh)**

**Selection Process :** Scrutiny of all applications received as per advertisement will be done to ascertain eligibility. Based on eligible applications received.
**How to Apply BHEL Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website www.bhelbpl.co.in from 01.01.2017 to 31.01.2017 & Send the Printout along with Self-Attested copies of prescribed documents to the Post Box No. 35, Piplani Post Office, BHEL Bhopal- 462022 (M.P.) on or before 07.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 31.01.2017
Last Date for Submission of Printout of Online Application : 07.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://careers.bhelbpl.co.in/app1617/ITI_APP_2017-18_advt.pdf
Apply Online : http://careers.bhelbpl.co.in/app1617/app_main.jsp

### Sashastra Seema Bal – SSB Recruitment 2017 – 872 Sub-Inspector, Assistant Sub-Inspector & Head Constable Vacancies – Last Date within 30 Days from the Date of Advertisement

**SSB Recruitment 2017**
Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 872 Sub-Inspector, Assistant Sub-Inspector & Head Constable in Communication Cadre. Apply before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News.

**Job Details :**
Post Name : Sub-Inspector (Communication)
No. of Vacancy : 16 Posts
Pay Scale : Rs. 35400/- (Per Month)
Post Name : Assistant Sub-Inspector (Communication)
No. of Vacancy : 110 Posts
Pay Scale : Rs. 29200/- (Per Month)
Post Name : Head Constable (Communication)
No. of Vacancy : 746 Posts
Pay Scale : Rs. 25500/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for SSB Recruitment :**
Educational Qualification :
For Sub-Inspector : Degree in Electronics or Telecommunication or Science with Physics, Chemistry and Mathematics from a recognized University or Institute or equivalent.
For Assistant Sub-Inspector : Matric with Diploma in Electronics or Telecommunication from an Institution recognized by the State Government or equivalent or 10+2 or Intermediate with aggregate marks of 50% with selective subjects being Physics, Chemistry and Mathematics from a recognized Board or Institution or equivalent.
For Head Constable : Matriculation or equivalent plus two year Industrial Training Institute certificate in Electronics or Intermediate or 10+2 with Physics, Chemistry and Mathematics from a recognized board of institution or equivalent.

Nationality : Indian
Age Limit : For Sub-Inspector & Assistant Sub-Inspector : 18 to 25 years
For Head Constable : 18 to 23 years
**Age Relaxation :**
SC/ST Category : 05 years
OBC Category : 03 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Physical Standard Test , documentation & written examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- for SI(Communication) and Rs. 100/- for HC & ASI through IPO or Bank Draft/Banker Cheque in favour of Inspector General, Frontier HQ SSB, Ranikhet SBI, Ranikhet Branch Code-0704 for SI & HC and favour of Accounts Officer, SBI Chenikuthi Branch Code-7976 for ASI. SC, ST & Ex-Servicemen candidates are exempted from payment of examination fees.
**How to Apply SSB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Self attested copy of Educational/Technical qualification Certificate, date of birth certificate (Matriculation pass certificate), Two self attested recent passport size photographs, Application fee & two self addressed envelop of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/- to be affixed on each envelop send to Inspector General, Frontier HQ SSB, Ganiadeoli, Ranikhet, District: Almora (UK)Pin No.263645 for SI & HC and Inspector General, Frontier HQ SSB, Guwahati, House No.345, Nikita Complex, G.S. Road, Khanapara, PO/PS:Khanapara, District:Kamrup, Guwahati(Assam)Pin No.781022 for ASI on or before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News & within 45 days from the date of advertisement for remote areas.
**Important Dates to Remember :**
Date of Advertisement : 31.12.2016 to 06.01.2017.
Last Date for Submission of Application : within 30 days from the date of advertisement in the Employment News
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.ssbrectt.gov.in/docs/Advt_Commn%2002011917.pdf